**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 08-02-2026)**

**খেমচান্দ (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা ঙসি অয়ুক ইম্ফালগী থঙ্গাল কৈথেলদা চৎতুনা মফম অদুদা পায়খৎলিবা লন্বী শেমগৎ শাগৎপগী থবক য়েংশিনখ্রে।

শ্রী খেমচান্দনা মরী লৈনবা বিভাগশিংগী ওফিসিএলশিংগা ৱারী শান্নখি অমসুং থবকশিং অদু মতম চানা লোয়শিন্নবা খঙহনখি। মহাক্কী খোঙচৎ অদু মরুওইনা মফম অদুদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অদু নীংথিনা চথরিব্রা হায়বদু কুপা য়েংশিনবগা লোয়ননা মতম চানা লোয়শিলহন্নবনি।

শ্রী খেমচান্দনা নম্বুল তুরেলগী তোর্বানসু য়েংশিনখি। মহাকা ৱাইশেল মরী শেমজিন্নবা থৌরাং তৌরিবা অদুগী মতাংদসু খন্নখি। মহাকা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী কৈথেল লাইরেম্বীসু খুরুমখি।

মুখ্য মন্ত্রিগী খোঙচৎ অদুদা এম.এল.এশিং-খুমুকচম জয়কিষন অমসুং নিশিকান্ত সাপম, পাব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট, মহুদ অমসুং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসনগী ওফিসিএলশিংসু লোয়নখি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী খেমচান্দনা রাজ্য অসিদা শান্তি অমদি মহৌশাগী তংদু লৈতাবা ফিভম হনজিলহন্নবা হোৎনবদা অখন্নবা মীৎয়েং চংগনি হায়নসু ফোংদোক্লি। ঐখোয় পুমমক্কী ওইবা পান্দমদি, কাংলুপ খুদিংমকা অমনা অমবু ইকায় খুমবগা লোয়ননা নুংশি চান্নন পুন্না হিংমিন্নবা খুন্নাই অমা পুরকপদুনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

**অমুকো (এল)ঃ** মনিপুরদা তংদু লৈতাবা ফিভম অমা পুরকবা হোৎনবদা ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) না লেপ্পা লৈতনা

হোৎনখিগনি। তোঙান তোঙানবা কাংলুপকী মীওইশিংগা ৱারী শান্নদুনা তুং কোইবা ৱারোইশিন অমা পুরকবা খোঙথাংশিং পায়খৎলি।

ক্বাকৈথেল অখাম লৈকাইদা লৈবা অমুকোগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট-সোরোকখাইবম সঞ্জয়না হায়-ইং ২০২৩ গী মে অহুমদগী রাজ্য অসিদা চরাংনবা ফিভম লৈবদগী রাজ্য অসিদা শেল থুমগী অৱাবা মায়োকরি। লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীয়ামদা সরকারনা শেলগী অহেনবা তেংবাংশিং পীহন্নীংবগী অপাম্বসু ফোংদোকখি।

মহাকা মখা তানা হায়-থা অসিগী ২৩ দগী হৌরগা নুমিৎ হুমনিগী ওইবা অহানবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিজিনেস গেমস অমসুং কলচরেল একচেঞ্জ প্রোগ্রাম ইম্ফালদা পাঙথোক্কনি। মসিদা মনিপুরগী ওইনা তোঙান তোঙানবা কাংলুপকী ওইবা নাৎকী থৌরমশিংসু পাঙথোক্কনি।

**জিবন (এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী সেক্রেটরি (হোম) এন. অশোককুমারনা হায়রি-অনা লায়েংগী লমদা থবক তৌরিবা ডাক্তর অমদি নর্সশিংনা লায়েংবা লাকপা মীয়ামগী পুকিং ৱাখল নুংঙাইরোইদবা থবক তৌরোইদবনি।

ককচিং জিলাদা লৈবা জিবন হোস্পিতালগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মহাকা হায়-লায়েংশঙ হায়বসি অনাবশিংগীদি লাইশঙ অমগুম্বনি। মসিদবু য়ৌরবদি মশাদা লৈরম্বা অনাবা পুম্বা কোক্কনি হায়না থাজনরিবনি। মরম অদুনা, অনা লায়েংগী লমদা থবক তৌরিবশিংনা লায়েংবা লাক্লিবা মীওই খুদিংমকপু মান্নবা মীৎয়েং থমদুনা লায়েংবীগদবনি।

শ্রী অশোক কুমারনা মখা তানা হায়-হোস্পিতালদা লৈরিবা ষ্টাফশিং, ফেক্লতি, ডাক্তরশিং অমদি মহৈরোইশিংনা মথৌদা পুকিং চংনা অনাবশিংগী মতেং পাংগদবনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা য়েংখোম নেত্রামণি কলেজ নর্সিং অমদি য়েংখোম নেত্রমণি কলেজ ওফ পেরা মেদিকেল সাইন্সকী থোইদোক হেনে দাক্লবা মহৈরোইশিংদা মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

**আইইদি (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মোংলম এরিয়াদগী ভারত লান্মীনা কিলোগ্রাম ৮ রোম লুম্বা আই.ই.দি. অমা ফংলে।

ইন্টিলিজেন্সতগী অককবা পাউ অমা ফংবদগী ভারত লান্মী অমসুং রাজ্য পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা মোংলমগী চীংখোঙ চীংয়াশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথখি। মদুদা শকখঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা থল্লম্বা শক্তি লৈরবা পোকখায়বা য়াবা বোমগী মচাকশিং অদু ফংখিবনি।

**স্কুল (এল)ঃ** নুমিৎ মঙানি চথগদবা রাজ্য থাক্কী স্কুল স্পোর্টস মিট ঙসি স্কুল ইদুকেসন বিভাগকী দাইরেক্তর এন.জি. ভোগেন্দ্র মৈতৈনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা মেইন ষ্টেদিয়মদা হৌদোকখ্রে।

রাজ্যগী দাইরেক্টোরেট ওফ ইজ্‌কেসন (এস) না শিন্দুনা পাঙথোকপা স্পোর্টস মিট অদু হৌদোকপগী থৌরমদা শ্রী ভোগেন্দ্র মৈতৈনা হায়-স্পোর্টস মিট অসি মেদলগীদমক অথোই অহেন তান্নবা খক্কী নত্তে। মসিদি রাজ্য অসিগী জিলা পুমমক্তা লৈরিবা মহৈরোইশিং অসি অমগা অমগা শকখঙ মায়খঙনহন্নবা, অমগা অমগা ৱারী ৱাতাই শান্নদুনা অফবা মরী লৈহন্নবগী পান্দমদা শিনবনি।

স্পোর্টস মিট অসিদা রাজ্য অসিগী জিলা ১৪ গী পুন্না মহৈরোই ৭০০ লোমনা শরুক য়ারি। অসিগুম্বা স্পোর্টস মিট অসি চহি খুদিংগী ওইনা পাঙথোক বা থৌরাং তৌরি হায়নসু শ্রী ভোগেন্দ্রনা ফোংদোকখি।

**করাম (এল)ঃ** করাম শ্যাম এম.এল.এনা হায়রি-মীতৈ ময়েক অসি য়ুনিভরসিতি থাক ফাওবা তম্লবনিনা হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা অরীবা বেঙ্গোলি ময়েক অসি খঙদ্রে। মরম অদুনা, হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা বেঙ্গোলি ময়েক্তা ইরম্বা মগুন লৈরবা লাইরিকশিং পাদ্‌না লৌশিং-গ্যান লৌশিনবা ঙমনবা বেঙ্গোলি ময়েক্তা ইরম্বা লাইরিকশিং মীতৈ ময়েক্তা হন্দোকবা থবক লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈরে।

পেত্রিওতিক রাইটরস ফোরম মনিপুরনা শিনদুনা ইম্ফালগী মনিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসিদগী হৌদুনা নুমিৎ নিনি চত্থগদবা থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী শ্যামনা হায়-ঐনা মহেল্লে হায়বা ৱাখল্লোনশিং থাদোকদুনা ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিনদুনা চৎমীন্নরবদি লম খুদিংমক্তা মাংজিল থাবা চাউখৎপা ওইরক্কনি। মরম অদুনা, অইবা-অইবীশিংনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা হেন্না ফবা লাইরিক কয়া ইদুনা পুথোকবা হোৎননবসু মহাকা আপিল তৌখি।

**চান্দেল (এল)ঃ** মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবশিংনা ইশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংদা হেন্না ওনশিনবা মথৌ তায়। মীয়ামগী খল্লগা থবক তৌরবা মতম অদুতদা চাউখৎপা, তংদু লৈতাবা, ইং তপ্পা লমদম অমা ওইগনি হায়না তেংনৌপলগী হান্নগী এম.এল.এ. অমদি রাজ্য সরকারগী মন্ত্রি অমসু ওইরম্লবা দি. কোরুথাংনা ফোংদোকখ্রে।

চোথে ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মনিপুরগী মীৎয়েং মখাদা পুরুম চুমবাং য়ুথ ক্লবনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা ৫৮ শুবা খন্ন-নৈনবা মীফম অমদি স্পোর্টস মিটকা মরী লৈননা ঙসি পাঙথোকপা নাৎকী ওইবা থৌরমদা শ্রী কোরুথাংনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবশিংনা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎনবা হোৎনসি। মহৈরোই লুপশিংনা রাজনিতিগী থৌওনশিন মানবা থবকশিংদা য়াওশিল্লোইদবনি। মহৈরোইশিংবু অফবা লম্বীদা লমজিংনবা অমদি মহৈরোই খুন্নাইগী য়াইফনবা হোৎনগদবনি।

**ট্রেন্নিং (এল)ঃ** ফার্ষ্ট এদকী মতাংদা ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি হৈরোক পার্ট টু, লীতানদা পাঙথোকখ্রে। নিংঙোল ক্লব, হ্যুমেনিতি সার্ভিস ফাউন্দেসন, ইকো নেটৱার্ক মনিপুরনা বাবিনা হোস্পিতালগা পুন্না শিনখিবা ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদুদা হোস্পিতাল য়ৌদ্রিঙৈদা ফার্ষ্ট এদ ওইনা করম করম্বা তেংবাং পীবা য়াবগে হায়বগী মতাংদা বাবিনা হোস্পিতালগী কন্সলটেন্ট ইমর্জেন্সি মেদিসিন-ডা:

লক্ষ্মী কাংজমনা ৱা ঙাংখি।

ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদুদা পুন্না মীওই ৩০ রোমনা শরুক য়াখি।

**কেম্প (এল)ঃ** সেনিয়ার সিটিজন্স ক্লব মনিপুরনা এম.এস. পব্লিক ওপটিকেলস ইম্ফালগা খুৎশমদুনা লমলাইগী লৈকোই চীংদা লেমা মীৎ লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদুদা চাউরাকা মীওই ৭০ রোম লায়েংখিবগা লোয়ননা হিদাক লাংথক অমদি অনোকনচিংবা য়েন্থোকখি।

**মীফম (এল)ঃ** ওল ইন্দিয়া ষ্টেট গরভমেন্ট ইমপ্লোয়িজ কনফিদরেসন মনিপুর ষ্টেট য়ুনিটনা শিনদুনা লৈবাক অসিগী রাজ্যশিংদা থবক তৌরিবা কর্ম্মচারিশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী এন.জি. কলেজতা পাঙথোকপা মীফম অদুদা কর্ম্মচারিশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা অমদি প্রাইবেটাইজেসননা পীবা চৈথেংগী মতাংদা কুপা খন্ন-নৈনখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা টেরোরিজম থেংনবদা অরোন অথুপ নাইবা অমদি য়াশিন্নবগী থৌওং চথরোই হায়বা ভারতকী অচেৎপা ফিরেপ অদু অমুক হন্না ফোংদোকখ্রে।

মালেসিয়াগী কোলারামপুরদা লৈবাক অদুগী প্রধান মন্ত্রি-অনুবার ইব্রাহিমগা তোঙান তোঙানবা লমদা ৱারী শান্নরবা তুংদা পাঙথোকখিবা অপুনবা পাউগী মীফম অমদা শ্রী মোদিনা হায়-ভারত অমসুং মালেসিয়া লৈবাক অনিনা সমুদ্রগী লমদা ঙাক শেনবা অমসুং টেরোরিজম থেংনবদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহল্লগনি।

শ্রী মোদিনা সি.ই.ওশিংগী মীফম অমসু শরুক য়াবগা লোয়ননা তোঙান

তোঙানবা লমশিংদা পুন্না থবক তৌমীন্নবা য়াবগী ওইথোকপশিং অদু খন্নখি।

**বাইওমেট্রিকঃ** য়ুনিক আইদেন্টিফিকেসন ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া (য়ু.আই.দি.এ.আই) না লৈবাক অসিগী স্কুল মহৈরোই কোতি অমা হেনবদা মেন্দটরি বাইওমেট্রিক অপদেদ (এম.বি.য়ু.এস) তৌখ্রে।

কেন্দ্রগী ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি মন্ত্রালয়না হায়- য়ু.আই.দি.এ.আইগী রিজনেল ওফিস অমসুং রাজ্যশিংগী এদুকেসন বিভাগনা থা মঙা খক্তংদা স্কুল লিশিং ৮৩ দা মেন্দটরি বাইওমেট্রিক অপদেদ অসি চখিবনি। স্কুলগী মহৈরোইশিং অসিবু এম.বি.য়ু. তৌহন্ননবা পান্দমদা য়ু.আই.দি.এ.আইনা চহি তরেৎতগীনা ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোইশিংদা বাইওমেট্রিক অপদেদ তৌবদা লৌরম্বা শেনফম লৌদ্রে। মসি মমাং চহিগী ওক্তোবর অমদগী চহি অসিগী সেপ্তেম্বর ৩০ ফাওবা চখগনি।

**অমিতঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি রাইপুরদা ছাতিসগরগী লেফট ৱিং এক্সট্রিমিজমনা শোকহল্লবা মফমশিংদা পায়খৎলিবা ঙাকশেলগী থৌরাং অমসুং চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং হন্না য়েংশিনবা, অৱাংবা থাক্কী মীফম অনি পাঙথোকখ্রে।

কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং অমদি সেক্যুরিতি এজেন্সিশিংগী মীহুৎশিং মীফম অদুদা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং অমসুং সেক্যুরিতি এজেন্সিশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি। চহি অসিগী মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা নেক্সলাইটকী ইরাং লৈতবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা কেন্দ্র সরকারনা লৌরকপা ৱারেপকী মনুং চন্না মীফম অসি পাঙথোকপনি। ছাতিসগর অমসুং লৈবাক অসিগী নেক্সলাইটনা শোকহল্লবা মফমশিংদা নেক্সলাইটকী ইরাং লাকশিনবা ঙমলে। লেমহৌরিবা মাওইষ্টকী নেটৱার্কশিং অসি মরু ফংনা মুখৎনবগী

মতাংদসু মীফম অদুনা রোড মেপ অমা শেমনবগী মতাংদসু খন্নখি।

শ্রী অমিত সাহ, নুমিৎ হুমনিগী ছাতিসগর খোঙচৎতা ঙরাং রাইপুরদা থুংখিবনি।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপতি ওইরম্বা ডা: জাকির হুসেনগী মপোক কুমওন নুমিৎতা ঙসি রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরুমনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা রাস্ত্রপতি ভবনদা লৈখিদ্রবা রাস্ত্রপতি অসিগী ফোটোদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

১৮৯৭ গী ফেব্রুৱারী ৮ দা হায়দ্রবাদতা পোকখিবা ডা: জাকির হুসেননা লৈবাক অসিগী অহুমশুবা রাস্ত্রপতি ওইনা ১৯৬৭ কী মে ১৩ দগী ১৯৬৯ গী মে অহুমদা মহাকা লৈখিদবা মতম ফাওবা থবক পুরম্মী।

**বঙ্গলাদেসঃ** বঙ্গলাদেসকী ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি ওইরম্বা অমসুং অৱামি লিগকী মকোক থোংবা লুচিংবা-রামেসচন্দ্র সেন দিনাপুর জিলাগী জেলগী কষ্টদিদা লৈখিদ্রে। মহাক চহি ৮৫ শুখ্রে।

জেল অমসুং হোস্পিতালগী ওফিসিএলশিংনা হায়-ঙরাং অয়ুক জেল মনুংদা মহাক্কী ফিভম ফৎচিল্লকখিদে অমসুং বিনাসপুর মেদিকেল হোস্পিতালগী ইমর্জেন্সি দিপার্টমেন্টতা লায়েংনবগীদমক পুখৎখি অমসুং তুংদা মহাক শিরে হায়না লাউথোকখি।

**স্পোর্টসঃ** নুমিৎ মঙানি চত্থগদবা রাজ্য থাক্কী স্কুল স্পোর্টস মিট ঙসি ইম্ফালগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা জনিয়ার বোইজকী লোংজমদা থৌবালগী টি-লনচেনবনা অহানবা তাখ্রে।

জনিয়ার বোইজকী মিটর ৪০০ লমজেলদা জোন থ্রি থৌবালগী মহামদ নৈয়িন উদ্দিনা অহানবা, সেনিয়ার বোইজকী মিটর ৪০০ গী লমজেলদনা জোন ফোর বিষ্ণুপুরগী ওইনাম রোসননা, সেনিয়ার বোইজকী লোংজমদা থৌবালগী

সৌবাম নিকেলসননা অহানবা তাখি।

জ্নিয়ার গালসকী মিটর ৪০০ গী লমজেলদা জোন থ্রি থৌবালগী তালিয়ানা অহানবা তাখি। সেনিয়ার গালস লোংজমদা থৌবালগী এম. ময়া, জ্নিয়ারগী কাংলুপ্তা ইম্ফাল ইষ্টকী সলাম শকহেনবী, সেনিয়ার গালর্সকী মিটর ৪০০ গী লমজেলদা জোন থ্রি থৌবালগী গুরুমরুম প্রেমেশ্বরিনা অহানবা তাখি।

**পোলোঃ** মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা অনিশুবা ডাক্তর কে.এস.ঐচ. চৌরজিৎ সিংহ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট পোলো টুর্নামেন্ট ঙসিদগী হৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহৌবা মেটচতা মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ১৭-৩ দা থোইখ্রে।

**ট্রোফিঃ** খোঙজোম সোল্ট ভিলেজকী স্লোপলেন্দ পব্লিক স্কুলগী কেম্পসতা লৈবা ৱাটর বোট্টল কম্পানি ইষ্টর্ন লিলিগী শেন্থং মখাদা তেন্থা হৈবুং ত্রানক্বিলিতি ক্লবনা শিনদুনা পাঙথোকপা অহুমশুবা টি.ক্যু.সি. ট্রোফি ২০২৬ লেট ইরুংবম বিরলাল মেমোরিএল ষ্টেট লেবেল ওপন ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ঙসিদগী টি.ক্যু.সি. গ্রাউন্দদা হৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা অথোকপম লিজেন্টনা তেন্থা হরিকেনবু ৱিকেট তরুক্তা থোইখি।

**ক্রিকেটঃ** উরিষ্যাগী বরাবতি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা সেনিয়ার ৱিমেন্স ৱান দে ট্রোফি প্লেট ক্রিকেটতা মনিপুরনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মনিপুরনা মেঘালায়াবু রন-১৩ দা থোইখি। মেটচ অসিগী প্লেয়ার ওফ দা মেটচনা মনিপুরগী নিরুতা থৌদামনা তাখি।

**ক্রিকেট ঃ** লংথাবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৩ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.এ.সি. য়াইস্কুল মায় পাকখ্রে। মেটচ অদুদা ৱাই.এস.সি. য়াইস্কুলনা ৱাই.সি.সি. ৱাংখৈবু ৱিকেট তরুক্তা থোইখি।

**ফুটবোলঃ** বিষ্ণুনহা য়ুথ ফেদরেসন-য়াইরিপোকনা শিনদুনা ফেদরেসন অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা অনিশুবা য়াইরিপোক ত্রোফি মনিপুর ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-সনা এফ.সি. থৌবাল মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা সনা এফ.সি-থৌবালনা ৱাই.ভি.এ. ৱাংজিংবু পাঞ্জল ৭-১ দা থোইখি।